# কোভিদ-১৯ গী চরাংনবা মরক্তা মেঘলয়াগী ঐচ এস এস এল সী একজাম পাঙথোক্কনি

মেঘলয়া, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী): মেঘলয়াদা কোভিদ-১৯ গী কেস মশীং হেনগৎলক্লবসু ক্লাস টুয়েল্ভ ষ্টেন্দর্দগী হায়র সেকেন্দরি স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট একজামশিং শোয়দনা পাঙথোক্কনি হায়না মেঘলয়া লৈঙাক্না লেপ্পখ্রে হায়রি। ষ্টেট অসিগী ওইবা ঐচ এস এস এল সী একজাম এপ্রিল ১৬ তগী শোয়দনা হৌগনি হায়বগা লোয়ননা সেকেন্দরি স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট (এস এস এল সী) একজামনা চৎলিবা থা অসিগী ১৯ দগী হৌরগনি হায়রি।

মেঘলয়া বোর্ড ওফ স্কুল ইদুকেসনগী সেনিয়র ওফিসিএলশিংনা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক হৌজিক য়াম্না লৌনগনবা লায়না কোভিদ-১৯ গী অনীশুবা ফেজগী চরাংনজরবসু হান্ননা লেপখ্রবা এস এস এল সী অমদি ঐচ এস এস এল সীগী একজামশিং শুকশোই শোয়দনা পাঙথোক্লবগীদমক মরী লৈনবা একজামিনেসন সেন্তরশিংদা মহৈরোয়শিং অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা থৌরাং খুদিংমক লৌখৎনবা খঙহনখ্রে। ইন্দিয়াগী ষ্টেট কয়াদা কোভিদ-১৯ গী সেকেন্দ ৱেব লাক্লুনা লোকদাউন থম্লবা হৌরকপগা লোয়ননা নাইট কর্ফিয়ু কয়া থম্লরকপদগী একজাম থাগদৌরিবা মহৈরোয়শিং য়াম্না পুক্লিং লাংতক্লনা লৈনরম্বনি। হৌজিক্তি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী একজামিনেসনগী তাংদাংবা ফিরেপ অমা লাউথোরক্লবনা মহৈরোয়শিংসু তংদু লৈতানরে। চৈরকসিদা মেঘলয়াগী চীফ মিনিষ্টর কোনার্দ সংমানা ষ্টেট অসিদা ওইরিবা কোভিদ-১৯ গী ফীভম কুপ্পা য়েংশিনখ্রে। কোভিদ-১৯ ভাইরসশিংদগী ঙাকথোক্নবা ঙম্লিমখৈ ভেক্সিন কাপথোক্লবা লোয়ননা ষ্টেটকী ওইনা ভেক্সিনেসন সেন্তরশিং মশীং হেনগৎহন্নবা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী হেল্থ দিপার্শটমেন্টতা অকনবা য়াথং তাওথখ্রে হায়রি।




আই জি আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা মন্ত্রিপুখ্রি বটালিয়নগী ৯ সেক্তর অসাম রাইফলসনা শিংজমৈ থোঙাম লৈকায়গী নুপীশিংগা খূৎশম্নদুনা ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্ট হায়বা ৱাফম অসিদা য়ুন্স্ফম ওইরগা পাঙথোকখিবা দ্রগ এৱার্নেস রেল্লিদা শরুক য়াখিবশিং

# ভোট থাদবগী মতম পুং অমা শাংদোকখ্রে

আইজোল, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী): থা অসিগী ১৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা মিজোরামগী সর্ছিপ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মরক্কী মীখলদা ভোট থাদবগী মতম পুং অমা শাংদোক্লবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না ৱারেপ লৌখ্রে।

শগোলশেন নুমিত্তা ঈ সী আইগী সেক্রেটরি মধুসুদন গুপ্তনা থোকপা নোটিফিকেসন অমগী মতুং ইন্না পোল্লিংগী মতম অয়ুক পুং ৭ তগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা ওইরম্বদগী অয়ুক পুং ৭ তগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৭ ফাওবা ওইহল্লে।

ইলেক্সন কম্মিসন্না মমাঙদা সর্ছিপ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মরক্কী মীখলগী ভোট থাদবা অমসুং ভোট মশীং থিবগী মতম য়েথোকপগী ৱাফম রিজেক্ট তৌখি। ঈ সীনা ৱাফম অদু রিজেক্ট তৌখ্রবা মতুং মথংগী নুমিৎ য়ুমশকৈশাদা জোরাম পিপলস ওর্গনাইজেসন্না কম্মিসনদা পোল্লিংগী মতম পুং অমা শাংদোকপীনবা হায়জখি।

অকক্লবা চর্চ অমগী মেম্বরশিংবু মীখল অদুদা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা পীবা ওইনা পোল্লিংগী মতম শাংদোক্লবা মরু ওইবা ওপোজিসন পার্টি অসিনা ঈ সীদা তকশিনখিবনি। মিজোরামদা লৈরিবা সভেন্থ দে এদভেন্টিষ্ট চর্চকী মেম্বরশিংবু লাইশোন লোয়রবা মতুংদা ভোট থাদবা য়াহন্নবা ওপোজিসন জেদ পি এমনা পোল্লিংগী মতম শাংদোক্লবা তকশিনখিবনি। ভোট মশীং থিবগী থবক হান্নগী সেদ্যুল মতুং ইন্না মে ২ দা পাঙথোক্কনি।

# মিজোরামদা অসাম রাইফলসনা অঙাংশিংদা কোভিদ-১৯ গী চৎনা কাঙলোনশিং তম্বীখ্রে



আইজোল, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী): মিজোরামগী লুঙলৈদা লৈবা বাপটিষ্ট চর্চ ওর্ফানেজ হোমগী অঙাংশিংদা দি লুঙলৈ বটালিয়ন ২৬ শুবা সেক্তর অসাম রাইফলস (ইষ্ট) না শগোলশেন নুমিত্তা এন্টি কোভিদ আইটেমশিং য়াওনা মরু ওইবা আইটেম কয়া য়েন্থোকখ্রে।

মিজোরামদা কোভিদ-১৯ কেসশিং হেনগৎলকপগা মরী লৈননা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি হায়রি। হৌখিবা চহীদা কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা মতম কুইনা লোকদাউন চথখিবদা ওর্ফানেজ অমদি ওল্ড এজ হোম কয়া মখোয়গী ফন্দ অমদি মখোয়গী ওইবা মরু ওইবা পোৎলমশিং লোয়খিবদগী অৱাবা ফীভম লাকখিবনি।

ঙসি লুংলৈ বটালিয়ন ২৩ শুবা অসাম রাইফলস (ইষ্ট) কী মায়কৈদগী অচা অথক অমদি লায়চৎ অসিদা শীজিন্ননবা পোৎলম কয়া তেংবাংলম্বগা লোয়ননা ওর্ফানেজ হোম অসিগী মীওইশিংদা কোভিদ-১৯ থেংনবদা চঙগদবা চৎনা কাঙলোন কয়াসু তাকপীরমখি। থৌরম অদুদা বেপটিষ্ট চর্চ ওর্ফানেজ অদুদা পুন্না অঙাং ২৮ অমসুং ষ্টাফ মেম্বর ২৬ পুনখি হায়রি।

মিজোরামদা হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা মীওই ৭ কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইখ্রবসু মীওই অমত্তা শিবগী পাউ লৈত্রি। ষ্টেট অসিদা পুন্না মীওই ৪,৭২২ পোজিটিভ ওইবগী মনুংদা মীওই ২৩৩ দি এক্তিভ কেসতা লৈরি। লায়না অসিনা ষ্টেট অসিদা শিহনখিবা মীওই ১২ শুখ্রে হায়রি।

য়াম্না লৌনগনবা অনৌবা ষ্ট্রেন অসিনা চাদা ৭০ গী চাংদা য়াম্না থুনা শন্দোকপা ঙম্মী হায়রি। অসাম রাইফলস পর্সনেলশিংনা অঙাংশিং অমদি ষ্টাফ মেম্বরশিংদা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা প্রোটোকেলশিং হৈ শিংনা তম্বীবগা লোয়ননা য়ারিমখৈ নাহন্দনবা কোভিদ-১৯ গী চৎনা কাঙলোনশিং ময়ামদা খঙহনখিবনি। চৈরকসিদা মিজোরাম লৈঙাক্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা স্কুলশিংদা তম্লিবা ক্লাস আইট ফাওবগী মহৈরোয়শিংগী ওইনা মতম খরা ছুটি থাদোকখিবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরশিংদা নাইট কর্ফিয়ু থম্নবা খঙহনখ্রে হায়রি।

# হীমন্ত বীস্বা সর্মনা কোভিদ-১৯ নোমশিং থুগাইবগী বীহু কম্মিটিশিংগী মথক্তা এফ আই আরশিং ফাইল তৌগনি হায়না কিহনখ্রে

গুৱাহাটি, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯ গী নোর্মশিং ঙাকপা ঙমদ্রে হায়দুনা অসামগী হেল্থ মিনিষ্টর হীমন্ত বীস্বা সর্মনা বীহু কম্মিটিশিংগী মথক্তা এফ আই আরশিং ফাইল তৌরগনি হায়না কিহনখ্রে। হেল্থ মিনিষ্টরনা মখাতানা খঙহল্লকখিবদা কনাগুম্বা বীহু ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা নুমিদাংগী পুং ১১ গী মতুংদা বীহু ফঙ্কসন পাঙথোকপা উরবদি মখোয়গী মথক্তা এফ আই আর লোজদ তৌগনি হায়বগা লোয়ননা লোবু ফাগীনি খনবশিং কান্নদবদা চহী ৩/৪ কোর্ট কাহনগনি হায়নসু অকনবা ৱাফম ফোঙদোকখি।




হান্ননা অসামগী হেল্থ মিষ্টির হীমন্ত বীস্ব সর্মনা বীহু ফেষ্টিভেলবু ঈকায়খুম্ননা কুম্মৈ অদু পাঙথোকপদা কোভিদ-১৯ গী প্রোটোকেল ঙাক্তুনা নুমিদাংগী পুং ১১ গী মমাংদা বীহু ফঙ্কসনশিং লোয়শিনহন্ননবা বীহু কম্মিটিদা খঙহনবা লৈখ্রবনি। অদুবু হায়রিবা ৱাফমশিংদুগী মায়োক্তা বীহু কম্মিটি খরনা থেংথনা কুম্মৈ চথরকপগী মিনিষ্টরনা অকনবা ৱাফমশিংদু থল্লকখিবনি। কুমজা ২০২১ গী অসাম এসেমব্লি ইলেক্সনগী অহুমশুবা ফেজগী ওইনা এপ্রিল ৬ তা পাঙথোকখিবা মীখল মতুংদগী অসামদা ওইরক্লিবা কোভিদ-১৯ গী ফীভমশিংগী মতাংদা হীমন্ত বীস্বা সর্মানা লায়চৎ অসিগী মতাংদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রবনি।

৩ শুবা ফেজগী অসাম এসেমব্লি ইলেক্সনগী কেম্পেইন তৌবদা রিপোর্টরশিংদা মিনিষ্টর অসিনা কোভিদ-১৯ গী মতাংদা অসামগী ওইনদি লৈবাক্কী অতৈ ষ্টেটশিংগা চাংদম্নবদা হেন্না শাফরে হায়না হায়খিবগা লোয়ননা হৌজিক্কী ওইনদি ষ্টেট অসিগী মীওইশিং মাস্ক উপত্রবসু য়ারে হায়না ফোঙদোকখিবা লৈরিবনি।

অদুবু তপ্না তপ্না লৈবাক্কী ষ্টেট খুদিংমক্তা কোভিদ-১৯ গী ফীভম হেন্না খুদোংথিবগী চাং য়ৌনরকপদগী তঙাইফদনা ষ্টেট অসিদসু চেকশিন থৌরাং লৌখত্তবা য়াওরক্তবনি। লোয়ননা বীহু কুম্মৈদা মী য়াম্না পুনগদবনা তঙাই ফদনা মিনিষ্টরনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা পেন্দমিক ওইবা লায়না অসিদগী মীয়াম্না খুদোংথিবা মায়োক্নন্দনবা অকক্লবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা খঙহনখিবনি। লোয়ননা অসামগী মিনিষ্টর হীমন্ত বীস্ব সর্মা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী অনীরকশুবা দোজ কাপখ্রে হায়রি।

## CROSSWORD-3753



**ACROSS**
7 Plotter (11)
8 Breathe in (6)
9 Be ready for (6)
10 European country (6)
12 One of the planets (6)
13 Sick (3)
14 Chaffed, teased (6)
16 Be unsteady on one's feet (6)
18 Owing money (2,4)
20 Extremely small (6)
22 Engagement (11)

**DOWN**
1 Scrutinise (4)
2 Capital of Turkey (6)
3 Glorious (8)
4 At liberty (4)
5 Imaginary ideal place (6)
6 Break (8)
11 Eastern (8)
12 Final (8)
15 French channel port (6)
17 Offer (6)
19 Neat (4)
21 Ballet dancer's skirt (4)

**Solution 3752**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | S | C | E | N | D | | D | E | F | E | C | T |
| F | | U | | A | | | | N | | B | | U |
| R | U | L | E | S | | D | E | V | I | O | U | S |
| I | | P | | T | | O | | E | | N | | S |
| C | A | R | R | Y | O | N | | L | O | Y | A | L |
| A | | I | | | | A | | O | | | | E |
| | | T | I | G | H | T | S | P | O | T | | |
| S | | | | A | | I | | | | O | | Y |
| A | P | R | O | N | | O | B | S | C | U | R | E |
| D | | E | | D | | N | | A | | C | | A |
| D | E | C | R | E | E | S | | U | S | H | E | R |
| L | | A | | R | | | | N | | E | | L |
| E | X | P | O | S | E | | M | A | Y | D | A | Y |

SOLUTION ON NEXT ISSUE [redacted]

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3552**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 1 | | | | 9 | | | |
| | | | 3 | | | | 2 | 1 |
| | | 8 | 1 | | 5 | | 9 | |
| | 8 | 3 | | | | 2 | | |
| 2 | | | 9 | | 8 | | | 5 |
| | | 6 | | | | 1 | 8 | |
| | 4 | | 2 | | 7 | 9 | | |
| 8 | 2 | | | | 4 | | | |
| | | | 5 | | | | 4 | |

**Solution-3551**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 1 | 7 | 3 | 2 | 8 | 5 | 9 | 6 |
| 5 | 3 | 9 | 4 | 1 | 6 | 8 | 7 | 2 |
| 8 | 6 | 2 | 5 | 9 | 7 | 4 | 1 | 3 |
| 7 | 9 | 6 | 8 | 3 | 5 | 1 | 2 | 4 |
| 1 | 8 | 4 | 2 | 6 | 9 | 7 | 3 | 5 |
| 3 | 2 | 5 | 1 | 7 | 4 | 6 | 8 | 9 |
| 2 | 5 | 3 | 6 | 8 | 1 | 9 | 4 | 7 |
| 6 | 7 | 1 | 9 | 4 | 3 | 2 | 5 | 8 |
| 9 | 4 | 8 | 7 | 5 | 2 | 3 | 6 | 1 |

## EMPLOYMENT NEWS

Staff Selection Board (SSB), Department of Higher Education, Government of Odisha, Bhubaneswar invites online applications from prospective candidates for recruitment of Lecturers (DP Posts) for fill up 972 Vacancies. The closing date for registration of online applications is 21st April 2021.
ADVERTISEMENT NO. 005/2021
Name of the Post
No of Vacancies
Lecturers (DP Posts)
972 (Women – 332)
Vacancy Disciplines:
Anthropology - 11
Botany - 49
Chemistry - 60
Commerce - 134
Economics - 78
Education - 51
English - 159
Home Science - 13
IRPM - 03
Logic & Philosophy - 73
Mathematics - 42
Physics - 42
Political Science - 135
Psychology - 24
Sanskrit - 20
Statistics - 02
Sociology - 15
Zoology - 61
Age Limit:
21 to 42 years as on 1st January 2021
Age Relaxation - 05 years for SC, ST, SEBC, Women, Ex-servicemen, 10 years for PwD.
Monthly Salary: ? 44,900 – 1,42,400/-
Educational Qualification: Master's Degree (Post Graduate) in the concerned subject from a recognized university with at least 55% marks or its equivalent grade.
Selection Process:
Written Test
Career
Viva Voce Test
Application Fee:
500/- for Unreserved category candidates.
200/- for SC / ST and PwDs.
The fee shall be deposited online.
How to Apply: Eligible Interested candidates are required to apply online through SSB Odisha official website (www.ssbodisha.ac.in). The last date for registration of online applications is 21/04/2021 Midnight.

GMC Recruitment 2021: Government of Goa, Goa Medical College and Hospital (GMC), Bambolim Goa invites applications from eligible candidates for recruitment of MTS, Clerk, Medical, Technician and other positions on regular basis. The last date for receipt of applications is 20th April 2021.
ADVERTISEMENT No.03/2021
Name of the Post
No of Vacancies
Multi Tasking Staff (MTS)
222
Store Keeper
05
Lower Division Clerk
74
Medical Record Clerk
13
Junior Stenographer
01
Driver (Light Vehicle)
02
Staff Nurses
377
A.N.M.
03
Occupational Therapist
08
Physiotherapist
09
Speech Therapist
03
Medico Social Worker
10
Senior Technician
06
Anaesthetic Assistant
07
Orthopaedic Assistant
03
Junior Technician
29
Radiographic Technician
07
Pharmacist
18
E.C.G. Technician
04
Laboratory Assistant
04
Laboratory Technician
07
Barber
01
Dialysis Technician
08
Age Limit: 45 years. Age Relaxation as per Govt. Rules.
Pay Scales:
L-1 ? 18,000/-
L-2 ? 19,900/-
L-4 ? 25,500/-
L-5 ? 29,200/-
Educational Qualifications:
MTS: Passed Secondary School Certificate Examination (OR) ITI Passed.
Store Keeper: Intermediate/Higher Secondary/Senior Cambridge or equivalent. Minimum 02 years experience.
LDC: Higher Secondary School Certificate or All India Council for Technical Education. Knowledge of Computer Application/Operations with typing speedof 30 words per minutes in English.
Medical Record Clerk: Matriculation or equivalent. Speed of 30 words per minute in type writing in English.
Junior Stenographer: Higher Secondary School Certificate. Speed of 100 words per minute in Short Hand and 35 words per minute in typing. Minimum three months certificate course in computers.
Driver: Passed Secondary School Certificate Examination. Driving Licence for Light Vehicles.
Staff Nurse: Certificate in Nursing. Certificate in Midwifery/ Special training for Male Nurses for 6 months duration. (OR) B.Sc. Nursing. Registration certificate as Registered Nurse, or registered Midwife from State Council.
A.N.M: S.S.C.E. with one and half years training (Course) in Multipurpose or Health Workers Course/ 2 years of Auxiliary Nurse Mid-wife training. Registration with state Nursing Council.
Technicians: B.Sc. degree in relevant discipline.
Pharmacist: Diploma in Pharmacy. Should be registered with the State Council of Pharmacy.
Selection Process:
Written Test
Interview.
Application Fee: Not Specified.
How to Apply: Candidates should apply for the desired post, giving following details:- Name of the Candidate, Address, Date of Birth,Upper Age Limit is 45 years (Relaxable for Government Servants),Category, Nationality, Mobile Number, Educational Qualification, Experience Certificate, Valid Employment Registration Card,Valid Caste Certificate and Valid 15 years Residence Certificate issued by Competent Authority. Application should also carry candidates Passport Size Photograph. Completed applications addressed to " (Dattaram Sardessai) Director (Admn.) Goa Medical College, Bambolim – Goa". The last date for receipt of applications is 20/04/2021

